কাবুল এয়রপোর্ট মনাক্তা থংন-থংননা বোম পোকখায়হন্দুনা য়ু এস ক্রুপ ১৩ য়াওনা মীওই ৮৫ হাৎখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা কাবুল ইন্তরনেসনল এয়রপোর্টকী মপান থংবা শরুক্তা থংন-থংননা বোম অনী পোকখায়হন্দুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৫ হাৎখ্রে। মদুগী মনুংদা ১৩ না য়ু এস সোলর্জরনি অদুগা ২৮ না টালিবান ফাইটরশিংনি। লেমহৌরিবশিংনা এয়রপোর্টতা লাকখিবা অফঘানশিংনি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং চথুখিবা এটেক অদু লৈবাক অদুদা বেজ তৌবা আই এস আই এস-খোরোসাননা চথুখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি। রোইটর্স ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অমেরিকান আর্মীশিংগা নক্কনা থবক তৌখিবা ট্রান্সলেটরশিং অমদি কোলাবোরেটরশিংদা টর্গেট তৌরগা লালহৌলূপ অসিগী সুসাইদ বোম্বরশিংনা এটেক অদু চথুখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা এটেক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং অমদি অমেরিকানশিংবু মাঙহন্নবা শীল্লিবা খুদিংমক অমত্তা লেম্না থারোই। ঐখোয়না থৌদোক অসি কৈদৌনুংদা কাওবা তৌরোই অমদি চেন্নরিবশিং থিদুনা মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীগনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং চথুরকখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা য়ু এসনা লৈবাক অদুদগী মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকপগী ফিরেপতা অহোংবা লৈরোই। ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা কাবুলদগী য়ু এস সিটিজনশিং অমদি রেফ্যুজিশিং লৌথোক্কনি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস সিটিজনশিং অমদি অফঘান এলাইশিং ঙাক শেনবা হায়বসি য়ু এসকী পান্দমনি।

টালিবান ফাইটরশিংনসু কাবুল এয়রপোর্ট মনাক্তা চথুখিবা এটেক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি। টালিবান অমদি আই এস আই এস অনীগী মরক্তা নুংশিনদবা লৈতে। লালহৌলুপ অনীমক অসি সুনি ইস্লামিষ্ট গ্রুপকী য়াম্না হকচিনবা ঙাক্তনি। জিহাদকী অশেংবা মশক খঙনবা হোৎনরিবা লূপশিংনি হায়না অনীমক্না ক্লেম তৌদুনা লাক্লি।

ঙরাং কাবুল এয়রপোর্টতা থোকখিবা থৌদোক অদুবু মালেমগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা কন্দেম তৌরক্লি। বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা থৌদোক অদু য়াম্না মীনুংশি লৈতবা অমনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি। ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোনসু এটেক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকখিবগা লোয়ননা টালিবানশিংগী মায়কৈদা পেন্দবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোরক্লি। চেক রিপব্লিক, ইজিপ্ট, ইজরেল, ইটলি, নোর্ৱে, স্পেন, সাউদি অরাবিয়া অমদি অতোপ্পা লৈবাক কয়ানসু থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ১৫ দা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা অশ্রফ ঘানি লৈঙাকপু ইন্থুখ্রবা মতুং কাবুল খুদম চনশিনখিবনি। টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া অকিবা পোকপদগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎনবা হোৎনরি। লৈবাক লৈবাকশিংনসু মখোয়গী সিটিজনশিং অমদি অফঘান পুথোকপগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি।

পাকিষ্টান কেমিকেল ফেক্টরি মৈ চাকপগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা ১৫ শিরে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
পাকিস্টানগী করাচি সিটিদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি অমদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা ফেক্টরি অদুদা থবক তৌবা ৱার্কর ১৫ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রেস্ক্যু ওফিসল মোবিন অহমদনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু করাচিগী মী য়াম্না চিনবা নেহরান টাউনদা লৈবা ফেক্টরি অমদা থোকখিবনি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মফমদুদা চঙশিনখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থৌদোক থোকফম য়ৌশিনখিবা মতমদা বিল্ডিং অদুগী শরুক খরা নিংখাইবা হৌরমখি। মদুনা মরম ওইরগা ফেক্টরি অদুদা থবক তৌবা ৱার্কর ১৫ শিখিবনি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অশিবা হকচাং ১৫ অদু ফংখ্রবা মতুং মখা তানা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। হৌজিক হৌজিকসু লেবরর ২০ হেন্না ফেক্টরি অদুগী মনুংদগী থোরকপা ঙমদনা লৈরি। মৈ অদু থুনা য়াঙনা বিল্ডিং অদুগী শরুক খুদিংমক্তা শন্দোরকপদগী মীশি মীনাগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। মতৌ করম্না মৈ অদু চাক্ললকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিংসু এম্বুলেন্সশিংনা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা লায়েংবগী থবক চথুরি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় মুক্তাজা ৱাহকনা ফোঙদোকখিবদা ফায়র ফাইটরশিংনা বিল্ডিং অদুদা চাক্লিবা মৈগী শরুকশিং অয়াম্বা মুথৎপা ঙমখ্রে। মরী লৈনবা ওফিসরশিংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অদুগী মপুনা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা ঙাকথোক্লবা ফায়র এক্সটিংগ্যুইশরশিং ইকুইপমেন্টশিং ইন্সটোল তৌবা নৎত্রগা তৌদ্রব্রা হায়বদসু য়েংশিল্লগনি। সিন্ধ প্রোভিন্সকী কোনুং ওইরিবা করাচিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ফেক্টরি কয়া লিংখৎনরক্লি। বিল্ডিং অমা শাবদা তঙাইফদনা হাপ্তবা য়াদবা ইকুইপমেন্টশিং হাপ্পা নৎত্রগনা হাপ্তব্রা হায়বদুগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবা হৌরগনি হায়রি। পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৫ দা সিটি অসিমক্তদা ফেক্টরি অমা নিংখাইরকপগী থৌদোক্তা মীওই ৩০ শিখি। অদুগা কুমজা ২০১২ দসু করাচিদা লৈবা গভর্ণমেন্ট ফেক্টরি অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ২৫০ হেন্না শিখিবগী থৌদোক থোকখি।

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
SECRETARIAT

ꯑꯥꯁꯤꯡꯕ NOTIFICATION
Imphal, the 24th August, 2021.

No. 01/01(02)/2021-LA(Estt): Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following vacant posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

1. **1(one) post of Reporter Grade-III:**

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	Age Limit	URC	RC
Rs. 9300 34,800 and Grade pay of Rs. 4,200/- (Level-7 of ROP-2019)	1) Graduate of any recognised University with 80 w.p.m. in English Shorthand and typing speed (English) 40 w.p.m. relaxable upto 35 w.p.m. for SC/ST and OBC candidates. 2) Candidate should qualify the recruitment examination to be conducted by the Manipur Legislative Assembly except in respect of reserved vacancies. 3) Education or other qualifications relaxable in respect of physicaly handicapped persons. 4) Diploma in Computer Applications.	i) Knowledge of English, Hindi and Manipuri.	i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i).	1	0

2. **1(one) post of Assistant Sound Technician:**

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	Age Limit	URC	RC
Rs. 5,200 – 20,200/- and Grade Pay of Rs. 1,900/- (Level-3 of ROP-2019)	i) Class XII (passed). ii) Diploma in Electronic or Radio and Sound System from a recognised Institute. iii) Knowledge of electric fittings.	i) Knowledge of English Hindi and Manipuri.	i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i).	1	0

** URC- Un-reserved Category, RC- Reserved category.*

Terms & Conditions:

1. Application forms will be available at **the Banquet Hall, Manipur Legislative Assembly, Chingmeirong** on payment of ₹500/-(Rupees five hundred) only for unreserved/OBC candidates and ₹300/-(Rupees three hundred) only for SC/ST candidates from **02-09-2021 to 04-09-2021** and duly filled-in forms shall be submitted from **06-09-2021 to 08-09-2021** during office hours at the said venue. Admit Cards will be issued from **11-09-2021 to 14-09-2021** at the same venue during office hours.
2. The decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
3. The notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
4. The detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
5. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.
6. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on regular basis or contract/causal basis.

Sd/- G. Tapankumar Sharma
Joint Secretary (Admn.),
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/7103/26,27,28

য়ু এসতা কোভিদ-১৯ না মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরি

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থা ৮ মুক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা য়ু এসতা অকনবা চৈথেং পীরক্লি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। হৌজিক হৌজিকসু য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পেসেন্ট কয়া লায়েংদুনা লৈরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ খক্তদা য়ু এসকী হোস্পিটালশিংদা কোরোনা ভাইরসকী পেসেন্ট লাক্ষ ১ রোম পুখৎলকখি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাং থাদগী হন্দক্না হেন্না হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পেসেন্ট পুখৎলকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা য়ু এসতা পীরিবা চৈথেং কিনিংঙাই ওইরি। চাঙচত্তা হৌখিবা চয়োলদা পুংখুদিংগী য়ামদ্রবদা কোভিদ পেসেন্ট ৫০০ রোম হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি।

চহী অসিগী অঙনবা থাদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক পাক শন্না পায়খৎলবসু লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। জুন থা ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দাকপগী চাং কা হেন্না ৱাংলমদে অদুবু জুলাই থাদগী খঙহৌদনা দেলটা ভেরিয়েন্টনা অকনবা চৈথেং পীরকখিবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা ফ্লোরিদানা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট হোস্পিটালাইজ তৌবা খ্বাইদগী ৱাংবা মফম অমা ওইরি।

টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং অফঘান কয়া লৈফম ১দি চাবা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি

কাবুল, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
টালিবান ফাইটরশিংনা হৌখিবা নুমিৎ ১০ নিরোম অসিদা অফঘানিষ্টানদা মপুং ফানা পৱার পায়খ্রবা মতুং অফঘান কয়া লৈফম অমদি চাবা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি।

টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক পুম্না কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং হৌজিক হৌজিক অফঘানিষ্টানদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরি। মসিদা নত্তনা মীওই চা কয়াসু কাবুল এয়রপোর্টতা থোমজিন্দুনা লৈরি। কাবুলগী পার্ক অমদি এয়রপোর্ট মনাক্তা পুনশিন্দুনা লৈরিবা অফঘান কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা চাওনা মায়োক্নরি।

মখোয়শিং অদুনা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি টালিবানশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবা অদুনা মরম ওইরগা অফঘান কয়াগীময়ুম অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। মখোয়শিং অদু নৌহৌননা অমুক শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবদা থা কয়া চঙখিগদবনা মরম ওইরগা মীয়ামশিং লৈফম লৈতবগী খুদোংচাদবসু মায়োক্নরি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	215,439,151	+717,595	4,487,649	+10,807	192,619,444	18,332,058
1	USA	39,342,153	+169,953	651,956	+1,215	30,732,120	7,958,077
2	India	32,602,325	+44,558	436,889	+493	31,813,972	351,464
3	Brazil	20,676,561	+31,024	577,605	+875	19,609,503	489,453
4	Russia	6,824,540	+19,630	179,243	+820	6,092,818	552,479
5	France	6,693,019	+19,683	113,988	+110	6,145,288	433,743
6	UK	6,628,709	+38,281	132,143	+140	5,251,174	1,245,392
7	Turkey	6,293,297	+19,616	55,469	+257	5,771,611	466,217
8	Argentina	5,161,926	+6,847	111,117	+151	4,838,745	212,064
9	Colombia	4,899,085	+1,935	124,567	+93	4,729,909	44,609
10	Iran	4,833,135	+36,758	104,716	+694	4,053,022	675,397
11	Spain	4,822,320	+7,115	83,861	+171	4,237,823	500,636
12	Italy	4,509,611	+7,221	128,957	+43	4,243,597	137,057
13	Indonesia	4,043,736	+16,899	130,182	+889	3,669,966	243,588
14	Germany	3,913,945	+12,081	92,597	+25	3,714,400	106,948
15	Mexico	3,271,128	+21,250	255,452	+986	2,607,633	408,043
16	Poland	2,887,481	+247	75,332	+3	2,656,507	155,642
17	South Africa	2,734,973	+12,771	80,826	+357	2,485,108	169,039
18	Ukraine	2,278,171	+1,581	53,566	+45	2,203,429	21,176
19	Peru	2,146,169	+1,118	198,064	+33	N/A	N/A
20	Netherlands	1,929,018	+2,594	17,982	+8	1,833,355	77,681
21	Philippines	1,899,014	+16,127	32,728	+236	1,734,318	131,968
22	Iraq	1,855,781	+8,084	20,480	+70	1,695,241	140,060
23	Czechia	1,678,333	+247	30,399	+2	1,646,079	1,855
24	Malaysia	1,640,843	+24,599	15,211	+393	1,359,791	265,841
25	Chile	1,635,958	+785	36,778	+60	1,592,707	6,473
26	Canada	1,482,659	+3,349	26,864	+9	1,428,913	26,882
27	Bangladesh	1,482,628	+4,698	25,729	+102	1,397,885	59,014
28	Japan	1,363,887	+25,395	15,737	+44	1,118,486	229,664
29	Belgium	1,173,108	+2,895	25,348	+6	1,092,355	55,405
30	Pakistan	1,140,411	+4,553	25,320	+100	1,022,847	92,244
31	Sweden	1,122,139		14,641		1,084,139	23,359
32	Thailand	1,120,869	+18,501	10,314	+229	923,621	186,934
33	Romania	1,093,924	+953	34,471	+17	1,053,091	6,362
34	Israel	1,030,590	+8,383	6,937	+29	945,011	78,642
35	Portugal	1,028,421	+2,552	17,689	+15	965,324	45,408
36	Morocco	836,494	+7,357	12,176	+97	757,268	67,050
37	Hungary	811,517	+180	30,056	+1	774,600	6,861
38	Jordan	793,182	+904	10,350	+12	770,192	12,640
39	Switzerland	768,001	+2,809	10,962		704,338	52,701
40	Kazakhstan	761,249	+6,358	8,758	+115	641,249	111,242
41	Nepal	754,915	+2,052	10,638	+26	705,893	38,384
42	Serbia	751,147	+2,454	7,240	+7	718,012	25,895
43	UAE	713,402	+991	2,031	+3	697,419	13,952
44	Austria	681,617	+1,438	10,772	+2	657,013	13,832
45	Tunisia	651,035	+3,552	22,932	+72	603,018	25,085
46	Cuba	619,672	+8,509	4,902	+96	565,116	49,654
47	Lebanon	596,854	+1,332	8,031	+7	549,114	39,709
48	Greece	573,605	+3,528	13,487	+28	521,778	38,340
49	Saudi Arabia	543,318	+290	8,512	+7	530,917	3,889
50	Georgia	532,171	+4,128	7,028	+79	468,917	56,226

অফঘানিষ্টানদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি পাকিষ্টাননা থোকহনখিবনি

কাবুল, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্টনি হায়না মশানা মশাবু ক্লেম তৌজরিবা অম্রুলা সালেনা টালিবান ফাইটরশিংগা ইস্লামিক ষ্টেট খোরাসা প্রোভিন্স (আই এস-কে) কা য়াম্না নক্কবা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক লালহৌবশিংগী তুমফম ওইরক্লিবা অসি পাকিষ্টাননা ওইহল্লকখিবনি হায়না মরাল শীরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা টালিবান ফাইটরশিংনা আই এস আই এসকা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি পাকিষ্টাননা টালিবান ফাইটরশিং শৌগত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগা চপ মান্নে। টালিবানশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিদি মখোয়গী মপু পাকিষ্টাননা তাকপী তম্বীবা পারা অদুনি। পাকিষ্টাননা মতম লৈবা পুম্নমক্তা লালহৌবশিংগী ফেক্টরিশিং অমদি এজেন্সিশিং শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনরি। মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাংদা পাকিষ্টাননা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদুগী ওন্না তৈনবদা তুমিন্না লালহৌবশিংদা খূৎশু খুৎলাই কয়া মতেং পাংলি। অফঘানিষ্টানদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লক্লিবা অমদি টালিবান ফাইটরশিংনা পৱার পায়শিনখ্রিবা অসি পাকিষ্টানগী অচৌবা খুৎ য়াওই।

পাকিষ্টান মিলিটরিনা টালিবান ফাইটরশিংবু মতম পুম্বদা মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়বসি পাকিষ্টানগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইন্দিয়ানা হেন্না খঙলবা ৱাফম অমনি। ইন্দিয়াদসু পাকিষ্টাননা লালহৌবশিংগী ওইবা থবক থৌওং কয়া চথুরি। মখোয়না শেল থাদদুনা অমদি খূৎশু খুৎলাই কয়া সপ্লাই তৌশিন্দুনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌরম কয়া চথুহল্লি হায়রি।

অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা খন্নবা হৌখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
নোংচুপ লৈবাকশিংনা চৈঙাক পীরম্বা অফঘান গভর্ণমেন্ট টালিবান ফাইটরশিংনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্থুখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপশিংগী লুচিংবশিং য়াওবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক টালিবাননা শেম শাবা হৌখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুং ইন্না টালিবাননা নৌনা শেমগদবগী প্লান তৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপশিং অমদি ট্রাইবেল বেকগ্রাউন্দগী লুচিংবশিং য়াওহন্নবা খন্নরি। নৌবা শেমগদৌরিবা লৈঙাক অসিদা য়াওহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগী মমিং খন্নবা হৌখ্রে।

মীওই মিল্লিয়ন ৪০ রোম লৈরিবা লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপ কয়া লৈরি। অদুমওইনমক ইথনিক গ্রুপ অসিনা ঙসি ফাওবদা নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙমদ্রি। টালিবাননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইথনিক গ্রুপ খুদিংমক অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলি অমদি হান্না য়েংথিনরম্বশিং তোক্তুনা অপুনবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনরিবা অসিদা তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপকী লুচিংবশিংনা মতেং পাংশিল্লক্লবদি হেন্না থুনা মায় পাকপা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমগনি হায়রি।

অমরোমদা টালিবানশিংনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা অতোপ্পা লালহৌলূপ অমত্তগী বেজ লৈহল্লোই অমদি লালহৌবশিংনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা এটেক চথুবগী থৌদোকশিংসু থোকহল্লোই হায়খিবা ৱাফম ঙাক্না চৎকনি হায়খি।

পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি
ছাত্রপাটি সিভাজি ভবন
বি-১৪/এ, কুটব ইন্সটিট্যুসনেল এরিয়া, কাটৱারিয়া সরাই,
ন্যু দেল্লী - ১১০ ০১৬ (ইন্দিয়া).

রিক্রুটমেন্ট নোটিস

পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর দি এ)/ওথোরিটি) অসি ইন্দিয়াদা পেন্সন সেক্টর চাওখৎহন্নবা অমসুং রেগ্যুলেট তৌনবগী মেন্দেটকা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পাস তৌখিবা পি এফ আর দি এ এক্ট (২৩ ওফ ২০১৩) গী মখাদা লিংখৎখিবা ফাইনান্সিএল সেক্টরগী ষ্টেচুটরি রেগ্যুলেটরি বোদি অমনি।

২. মখাগী অকূপ্পশিং অসিগী মতুং ইন্না দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টকী খূখাংদা ওথোরিটি অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রিমশিংদা ওফিসর গ্রেদ 'এ' (এসিষ্টেন্ট মেনেজর)গী ফমশিং মেনশিন্নবগীদমক পি এফ আর দি এনা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি :

ষ্ট্রিম	ফমশিংগী মশিং					পি দব্লিউ বি দি মশিং	অপুনবা ফম মশিং
	এস সী	এস টি	ও বি সী	ঈ দব্লিয়ু এস	য়ু আর/জেন		
জেনরেল	০১	০১	০১	০১	০১	০০	০৫
একচুএরিএল	০০	০০	০০	০০	০২	০০	০২
ফাইনান্স অমসুং একাউন্টস	০০	০০	০১	০০	০১	০০	০২
ইনফোর্মেসন অমসুং টেক্নোলোজি	০০	০০	০১	০০	০১	০০	০২
রিসার্চ (ইকোনোমিক্স)	০০	০০	০০	০০	০১	০০	০১
রিসার্চ (ষ্টেটেষ্টিক্স)	০০	০০	০০	০০	০১	০০	০১
ওফিসল লেংগ্বেজ (রাজভাসা)	০০	০০	০০	০০	০১	০০	০১

৩. ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া, খনবগী মওং, এপ্লিকেসন সবমিসন, ফী পীবা অমসুং ফমশিং অসিদা এপোইন্ট তৌনবগী টর্মস অমসুং কন্দিসন্স য়াওনা অতে ইন্সট্রক্সনশিং য়াওবা অকুপ্পা এদভর্টিসমেন্ট পি এফ আর দি এগী ৱেবসাইট : www.pfrda.org.in অমসুং নেসনল করিয়র সর্ভিসকী ৱেবসাইট : www.ncs.gov.in দা ফংগনি।

৪. ইলিজিবল ওইবা অমসুং অপাম্বা কেন্দিদেটশিংনা ওন-লাইন মোদকী খূখাংদা পি এফ আর দি এগী ৱেবসাইটতা **১৩.০৮.২০২১** দগী **১৬.০৯.২০২১** ফাওবদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

৫. কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনা মরম চাই হায়না লৌবগী মতুং ইন্না এক্সরসাইজ অসি তাঙ্কক অমদা হেক্তা মোদিফাই/কেন্সেল/টর্মিনেট তৌবগী রাইট রিজর্ভ তৌই। ভেকেন্সি নোটিস অসিদা চুমথোক্কদবা য়াওরবদি মদু পি এফ আর দি এগী ৱেবসাইটখক্তদা ফংগনি।

জেনরেল মেনেজর
(এদমিন. এন্দ ঐচ আর)
এদভর্টিসমেন্ট নম্বর ০৩/২০২১

Davp 15102/11/0006/2122